পুলিসনা হরাসমেন্ট পীরি: চন্দ্রবাবু নাইদু

অমরাভতি, সেপ্টেম্বর ০৮ (এজেন্সী):

অন্ধ্র প্রদেশ পুলিসপু টি দি পিগী চীফ চন্দ্রবাবু নাইদুনা কন্না য়ানীংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মখোয়বু রুলিং ৱাই এস আর সী পিগী থৌওইনশিনদা মহাক্কী পার্টিগী কাদরশিংবু হরাশমেন্ট পী হায়না মরাল শীখ্রে।

যুমশকৈশা নুমিৎতা দি জি পি গৌতম সৱাংদা ইবা লেট্টর অমদা নাইদুনা হায়খি, হৌখিবা চহী অনী অসিদা পুলিসকী মীওৎ-মীনৈশিং য়াম্না কা হেনখ্রে। পুলিসকী মিংচৎ নুমিৎ খূদিংগী লেপ্তুনা হন্থরক্লি।

নাইদুনা হায়খি, প্রকাসখ দিষ্ট্রিক্টকী মোগুলিচেরলা ভিলেজদা লৈবা টি দি পিগী এক্টিভিষ্ট তরুক্কী মায়োক্তা অরানবা কেস কয়া ফাইল তৌখি। লোকল টি দি পি লীদরশিংবু অহিং অথেংবদা হলহনখি। তৌইগুম্বসুং মখোয়বু অমুক মথংগী অয়ূক্তা কৌখৎখি।

য়ু পিগী হোস্পিটাল ৬ টোপ রেঙ্কিং পীখ্রে

লক্ষ্ণৌ, সেপ্টেম্বর ০৮ (এজেন্সী):

নিটি অয়োগনা উত্তর প্রদেশকী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল তরুক টোপ পর্ফোমরশিংগী রেঙ্কতা চলহনখ্রে। য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরগী এসেসমেন্টতা য়ূম্ফম ওইরগা হোস্পিটালশিংদুগী রেঙ্কিং পীখিবনি।

নিটি অয়োগনা ফ্রেমৱার্ক ইন্দিকেটর ১০দা মীৎয়েং থম্লগা লৈবাক অসিগী গভর্ণমেন্ট হোস্পিটাল ৭০০ হেনবগী পার্ফোমেন্স য়েংশিনখি। দোমেন অহুম- ষ্ট্রক্টচর, প্রোসেসশিং অমসুং আউটপুট/আউটকমশিংগী মতুং ইন্না হোস্পিটালশিং ইভাল্যুএসন তৌখি।

গভর্ণমেন্ট স্পোক্সমেনগী মতুং ইন্না, রেঙ্কিংশিং অদুনা বলরাম্পুর হোস্পিটাল, লক্ষ্ণৌ য়াওনা হোস্পিটাল মরি ও পি দি কন্সলটেন্সি কেটিগরিদা খ্বাইদগী ফখি হায়বা উৎখি।

ইন্দিয়া অমদি রসিয়ানা অফঘানিষ্টান য়াওনা সিক্যুরিটি ইস্যুশিংগী ওইবা মীফম হৌখ্রে

ন্যু দেল্লী, সেপ্টেম্বর ০৮ (এজেন্সী):

অফঘানিষ্টানগী ক্রাইসিস য়াওনা সিক্যুরিটি ইস্যুশিংগী মতাংদা খন্ননবা ইন্দিয়া অমসুং রসিয়াগী মরক্তা পাঙথোক্কদবা নেসনল সিক্যুরিটি এদভাইজর থাক্কী মীফম য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ন্যু দেল্লীদা হৌখ্রে।

ইন্দিয়াগী নেসনল সিক্যুরিটি এদভাইজর (এন এস এ) অজিত দোভালনা রসিয়াগী মহাক্কী লেংমান্নবা নিকোলাই পাত্রুসেভকা সিক্যুরিটিগী ওইবা মরু ওইবা ইস্যুশিং খন্নগনি। টালিবানননা অফঘানিষ্টান প্রাইশিনখিবা মতুংদা খোঙথাং অসি লাকপনি।

ইন্দিয়াগী নেসনল সিক্যুরিটি এদভাইজরনা ইনভাইট তৌবদগী ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং রসিয়ন গভর্ণমেন্টকী মরক্তা অৱাংবা থাক্কী কন্সলটেসন পাঙথোক্কবগীদমক্তা রসিয়ন ফেদরেসনগী সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী সেক্রেটরি জেনরেল নিকোলাই পাত্রুসেভ নুমিৎ নীনিগী খোঙচৎতা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ন্যু দেল্লীদা থুংলখি।

ইন্দিয়া অমসুং রসিয়ানা টেররিষ্ট গ্রুপশিং মথি ফোঙগৎলকপা, দ্রগ ত্রাফিক্কিং, ওর্গনাইজ ক্রাইম অমদি রেফ্যুজিশিং চেনশিল্লকপা হেনগৎলকপনচিংবা মান্নবা শীংনবশিং মায়োক্নরি। মসিদা নত্তনা হৌজিক অফবা মখলগী য়াম্লবা য়ু এস মিলিটরি খূৎলায়শিং অফঘান মিলিসিয়া কাঙবুশিংগী মখূৎতা তাখিবা অসিনা লৈবাক অনীমক্না সিক্যুরিটিগা মরী লৈনবা ইস্যুশিং অসি কূপ্না খন্নদবা য়াদবগী ফিভম লাক্লি।

হৌখিবা ওগষ্ট ২৪দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং রসিয়ন ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট ভ্লাদিমির পুটিনগী মরক্তা ফোনদা ৱারী শানখিবা মতুংদা কন্সল্টেসনগী খোঙথাং অসি লাকপনি। ৱারী শানদুনা লুচিংবা অনীনা ষ্ট্রেটেজিক পার্টনর অনীগী মরক্তা খূৎশম্ননা থবক তৌমিন্নবগী তঙায় ফদবা লৈ হায়না য়ান্নখি অমসুং মখোয়গী সিনিয়র ওফিসলশিংদা অফাঘানিষ্টানগী মতাংদা তৎতনা তান্ননবা দিরেক্সন পীখি।

ইন্দিয়াগী এক্সটর্নেল এফেয়র্স মিনিষ্ট্রিগী মতুং ইন্না, পাত্রুসেভনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং এক্সটর্নেল এফেয়র্স মিনিষ্টর এস জ য়শঙ্করগসু ৱারী শানগনি।

মোদি অমসুং পুটিনগী মরক্তা ৱারী শানরবা মতুংদা লুচিংবা অনীনা অফঘানিষ্টানগী শন্দোরক্লিবা টেররিষ্ট আইদিওলোজি অমসুং দ্রগকী থ্রেট থেংনবদা কোওপরেসন পীনবা হেনগৎহনবগী ৱাফম য়ানরে হায়না রসিয়াগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবনি।

ইস্যু অসিগী মতাংদা খন্ননবা লুচিংবা অনীনা তুং কোইনা চৎকদবা বাইলেটরেল চেন্নেল অমা লিংবগী ৱাফমসু য়ানখি। মমাঙদা হৌখিবা ওগষ্ট ২৬তা দেপ্যুটি এন এস এ পনকজ সরননা মোস্কোদা খোঙচৎ অমা চৎতুনা রসিয়ন এন এস এ নিকোলাই পাত্রুসেভ অমসুং দেপ্যুটি ফোরেন মিনিষ্টর ইগোর মোরগুলোভকা উনখি অমসুং অফঘানিষ্টানগী ফিভমগী মতাংদা খন্নখি।

য়ু পিগী ফোল্ক আর্টিষ্টশিং গভর্ণমেন্টকী মতেং ফংলগনি

ন্যু দেল্লী, সেপ্টেম্বর ০৮ (এজেন্সী):

ফোল্ক আর্টিষ্টশিংবু ম্যুজিকেল ইন্সত্রুমেন্টশিং লৈবা ঙমহন্নবগীদমক য়োগি অদিত্যনাঠ গভর্ণমেন্টনা মখোয়দা শেলগী মতেং পীরগনি।

ষ্টেট অসিগী দিরেক্টরেট ওফ কলচরনা হীরম অসিগা মরী লৈননা ‘লোক কলাকার ভাদ্য য়ানত্র ক্রায়া য়োজনা’ হায়বা স্কিম কয়া লাউথোকখ্রে। কোরোনাভাইরস পেন্দমিকনা শেল তানবা ঙমহনখিদ্রবা ফোল্ক আর্টিষ্টশিংবু মতেং পাংনবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা লুপা ক্রোর অমগী ফন্দ কায়থোকখ্রে। আর্টিষ্টশিংনা ফোল্ক ইন্সট্রুমেন্টশিং লৈনবা শেলগী মতেং লুপা ২০,০০০ ফাওবা লৌবা য়ারগনি। দিরেক্টর কলচর শিশিরগী মতুং ইন্না চহী অমদা লুপা লাখ ১.২০ য়ৌদনা তানবা আর্টিষ্টশিংনা স্কিম অসিগী কান্নবা লৌবা য়াগনি।

আর্টিষ্টশিং অদু চহী ৩৫ শুবা নৎত্রগা হেনবা ওইগদবনি অমসুং দিরেক্টরেট ওফ কলচরগী ঈ-দিরেক্টরিদা রেজিষ্টর তৌগদবনি। মতেং লৌনবা থারকপা এপ্লি-কেসনশিং অদু ভাটখন্দেগী ওঝা অমা অমসুং কলচর দিরেক্টরেটকী ওফিসল অনী য়াওবা কম্মিটি অমনা য়েংশিনগনি অমসুং মখোয়গী ৱারেপ্পা অরোইবা ওইগনি।

আর্টিষ্টশিং অদুনা ইন্সট্রুমেন্ট লৈবগী রিসিপ্ট অমদি দিপার্টমেন্ট অসিনা পীবা শেলনা ইন্সট্রুমেন্ট লৈরে হায়বা অইবা দিক্লারেসন অমসু উৎকদবনি। মহাক্কী মতুং ইন্না থৌরাং অসিগী পান্দমদি চহী ৩৫ হেল্লবা ফেক আর্টিষ্ট মশিং য়াম্না শেলগী মতেং পাংবনি।

ভেক্সিন দোজ অমা ফাওবা ইফেক্টিভ ওই: কে জি এম য়ু ষ্টদি

অমরাভতি, সেপ্টেম্বর ০৮ (এজেন্সী):

লক্ষ্ণৌদা লৈবা কিং জোর্জস মেদিকেল য়ুনিভর্সিটি (কে জি এম য়ু)না রেসিদেন্ট দোক্টর ৫৬তা কন্দক্ট তৌখিবা ষ্টদি অমনা ভেক্সিন দোজ অমনা ফাওবা কোভিদ পল্লবা মতুংদা কা-হেন্না নাহন্দবা ঙম্মী হায়বসি উৎখ্রে।

ষ্টদি অদুদা শরুক য়ারিবা রেসিদেন্ট দোক্টরশিং অদু থা ৫-৫গী মনুংদা অনীরক ইনফেক্সন লৈখিবা ঙাক্তনি। ষ্টদি অদুদা য়ামদ্রবদা ভেক্সিন দোজ অমা কাপ্লবা দোক্টর ৫৬কী মনুংদা দোক্টর ২১ লাইওং অমত্তা উৎখিদে নৎত্রগা মখোয়দা খরা চম্বা লাইওংশিংনি হায়না লৌনবা খৌনাও নাবা, ফিভর নৎত্রগা লোক খুবগুম্বদমক উখি। লাইওংশিং অসিসু নুমিৎ ৩-৪ নিগী মনুংদা নেমথখি।

রেসিদেন্ট দোক্টর ২১সিগী মনুংদা ১৬তি দোজ অমতমক কাপখি অমসুং মঙানা দোজ অনীগী কোর্স মপূং ফাখি। সিঙ্গল দোজ বেনিফিসরিশিংদুগী মনুংদা অহুম অহানবা দোজ কাপ্লবা মতুং চয়োল ২-৩গী মনুংদা ইনফেক্সন লাকখি অমসুং দোক্টর অহুম্না চয়োল অহুম লৈরগা পোজিটিভ ওইখি। দোজ অনী কাপ্লবা বেনিফিসরিশিংদুসু চয়োল অহুম লৈরগা ইনফেক্সন লাকখি।

কে জি এম য়ুগী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্টকী ডা. দি হিমান্সুনা হায়, ভেক্সিন কাপখিবা মতুং চয়োল ২-৩গী মনুংদা এন্টিবোদিশিং পুথোকপা হৌই হায়বসি মমাঙগী ষ্টদিশিংনা উৎখ্রে। এন্টিবোদিশিং অদুনা রেসিদেন্ট দোক্টরশিংবু কা-হেন্না নাহনখিদে হায়বসি ষ্টদি অসিনা উৎখি।

টামিল নাদু এসেমব্লিনা এন্টি-সী এ এ রিজোল্যুসন অমা পাস তৌখ্রে

চেন্নাই, সেপ্টেম্বর ০৮ (এজেন্সী):

টামিল নাদু এসেমব্লিনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট (সী এ এ)গী মায়োক্তা রিজোল্যুসন অমা পাস তৌখ্রে। চীফ মিনিষ্টর এম কে ষ্টেলিননা লো অদু লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুসনল সেক্যুলর প্রিন্সিপলশিংগী মায়োক্তনি হায়রি।

অমরোমদা, বি জে পিনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অদুবু প্রোটেষ্ট তৌখ্রে।

রিজোল্যুসন অদুবু মুভ তৌরদুনা চীফ মিনিষ্টর এম কে ষ্টেলিননা হায়খি, লো অদু লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুসনগী সেক্যুলর প্রিন্সিপলশিংগী মায়োক্তনি অমসুং মদুনা লৈবাক অসিদা তোঙান তোঙানবা লাইনিং লম্বী চৎপশিংগী মরক্তা নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবা ঙমহল্লোই।

সী এমনা মখা তানা হায়খি, দিমোক্রেসি হায়বসিদা লৈবাক অসিগী এদমিনিষ্ট্রেসননা মীয়াম পূম্বগী পূক্নিং ৱাখল পূম্নমক খন্নবা মথৌ তাই। তৌইগুম্বসুং সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট অসিনা রেফ্যুজিশিংবু পূন্না লৌশিনবগী মহুত্তা লাইনিং লম্বী অমসুং হৌরকফম লৈবাক্কী য়েংলগা অচান-মীরাই নাইবা মীৎয়েংনা য়েংলি। শ্রীলঙ্কান টামিলশিং ইন্দিয়াদা সিটিজনশিপ ফংবা হায়বদু সী এ এনা ফংহল্লোই হায়না ষ্টেলিননা মখা তাখি।

পার্লিয়ামেন্টনা কুমজা ২০১৯গী দিসেম্বরদা পাস তৌখিবা সী এ এনা পাকিস্টান, বাংলাদেশ অমসুং অফগানিষ্টানদা লৈবা নন-মুসলিম মাইনোরিটিশিং হায়বদি হিন্দু, শিখ, জেন, বুধিষ্ট, পার্সি অমসুং খৃষ্টানশিংবু মখোয়গী লৈবাকশিংদা চথরিবা তাথি-তাওইনা তৌবীবা অমসুং ওৎপী-নৈবীবগী থৌওংশিংদগী নাহ্নোকপা ঙম্নবা ইন্দিয়ন সিটিজনশিপ ফংবা য়াহল্লি। এক্ট অসিগী মখাদা কুমজা ২০১৪গী দিসেম্বর ৩১গী মমাঙদা ইন্দিয়াদা লাকখিবা মীওইশিং লোনা য়াদবা ইন্মিগ্রেন্টশিংনি হায়না লৌবগী মহুত্তা মখোয়দা ইন্দিয়ন সিটিজনশিপ পীরগনি।

খোঙথাং অসিগা লোয়ননা সী এ এগী মায়োক্তা রিজোল্যুসন পুথোকখিবা ওপোজিসনননা লৈঙাকপা ষ্টেটশিংগী মরক্তা টামিল নাদুসু য়াওরে। মমাঙদা ৱেষ্ট বেঙ্গল, কেরেলা, পঞ্জাব, রাজস্থান অমসুং মধ্য প্রদেশ (হৌজিক্কা বি জে পিনা পানবা)না সী এ এগী মায়োক্তা রিজোল্যুসনশিং পাস তৌখি।

চৈরকসিদা ওপোজিসন বি জে পি কাওবুশিং এসেমব্লিদগী ৱার্কআওট তৌখ্রে। টামিল নাদু এসেমব্লিদা বি জে পিগী লুচিংবা ওইরিবা নগেন্দ্রনা হায়খি, সী এ এ অসি ইন্দিয়ানা মুসলিমশিংগী মায়োক্তা লৈতে। ঐখোয়না তোঙান তোঙানবা কাঙলুপশিংগী মরক্তা অমত্তা ওইবগী মরী শাগৎনবা হোৎনৈ।

তৌইগুম্বসুং পাকিস্টাননা নীংতম্বা ফংখিবদা হিন্দুশিংগী পার্সেন্টেজ চাদা ২০ ওইখিবদু হৌজিক্তি চাদা ৩দমক ওইরি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

জর্নেলিষ্টশিংগী য়ূমদা রেইদ চথখ্রে

শ্রীনগর, সেপ্টেম্বর ০৮ (এজেন্সী):

জম্মু এন্দ কাশ্মির পুলিসনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শ্রীনগরদা লৈবা জর্নেলিষ্ট মরিগী য়ূমশিংদা রেইদ চথখ্রে। অদুম ওইনমক রেইদশিংগা মরী লৈনবা ওফিসল ষ্টেটমেন্ট থোক্লবা লৈত্রি। রেইদ চথখিবা জর্নেলিষ্ট মরিদুদি শৌকত মোতা, শাহ অব্বাস, অঝার কাদ্রি অমসুং হিলাল সাকিনি। জর্নেলিষ্ট অহুম্না মমাঙদা লোকল ইংলিশ দেলি ‘গ্রেটর কাশ্মির’গী থবক তৌখি অমসুং অমনা ‘ত্রিব্যুন’গী থবক তৌখি।

GOVERNMENT OF MANIPUR

SECRETARIAT : GENERAL ADMINISTRATION DEPARTMENT

[illegible] / **NOTIFICATION**

Imphal, the 8th September, 2021

2/5/2019-GAD : In continuation of this Government notification of even number dated 12th August, 2021 for recruitment of 47 post of Stenographer Grade-III in General Administration Department, Government of Manipur, sponsored candidates from Exmployment Exchange are requested to submit the completed forms **w.e.f 8th September, 2021 to 15th September, 2021** between 10:00 a.m. and 4:00 p.m. along with the required self attested copies of Certificates **at Lounge of Manipur State Guest House, Sanjenthong, Imhal.**

Sd/- Sunanda Thokchom
Under Secretary (GAD)
Government of Manipur

HL-B/7140/9 & 10 Sept.

GOVERNMENT OF MANIPUR
COMMAND AREA DEVELOPMENT DEPARTMENT
MANIPUR

[illegible] / NOTIFICATION

Imphal, the 7th September, 2021

No.4/CADA-DPC/2016 : In partial modification of Notification of even No. dated 21st November 2019 and 31st August 2021, the Command Area Development Department, Manipur invites intending candidates for appointment in the Command Area Development Department to the following post on Temporary basis through sponsorship of the concerned Employment Exchanges in Manipur.

Sl. No.	Name of Posts	Qualification	Pay Band	No. of Post	ST	UR
1	Draftsman Grade - II	Diploma in Architecture or National Trade Certificate course for 2 (two) years duration in Draftsman (Civil/ Mechanical) from a recognised Institute	5200-20200 +2400 (GP)	1(one)		1(one)
2	Driver	i. Class-X passed/ Matriculate/HSLC/ Equivalent from a recognised Board/Institute ii. Driving experience for 3 years possessing requisite driving licence	5200-20200 +1900 (GP)	3(three)	1(one)	2(two)
3	Tracer (Draftsmen Grade – III)	National Trade Certificate course for 2 (two) years duration in draftsman (civil/ Mechanical) from a recognised Institute	5200-20200 +1900 (GP)	1(one)	1(one)	-
4	Surveyor	i. Matriculation/HSLC Examination passed from a recognised University/ Board. ii. Pass Senior Surveyor's course of a recognised Technical Institute.	5200-20200 +2400 (GP)	2(two)	-	2(two)

2. Receive of sponsorship from different Employment exchanges will be upto **16th of September 2021.**

3. The revised schedule for the conduct of the written examination.
   - (a) Issue of application form and Submission of duly filled in application form - upto 4:00 pm. of 17th September, 2021
   - (b) Issue of Admit Card after scrutiny - 15th, 16th & 17th September, 2021 Upto 5:00 pm of 17th September, 2021
   - (C) Date of Written Examination - 19th September, 2021(Sunday) Venue and time of the written examination will be indicated in the Admit Card

Form will be issued on payment of Rs. 500/- (for General and OBC Candidates) and Rs. 300/- (for SC & ST) from the office of the undersigned.

Sd/- Suresh Singh Ningombam
Additional Chief Engineer,
Deptt. of Command Area Development,
Govt. of Manipur.

HL-B/7136/8&9

[illegible]

YAIPHARE GROUP OF FINANCE
CHINGMEIRONG, IMPHAL EAST
NEAR SUZUKI NEXA

অথুবদা লোন পীজরি ঙসিমক লেংশিনবীরকউ।

- ➢ Only Govt. Employee, State Govt., Civil Employee only N.B. : 12%, 13% & 14% - Central Active Service & Civil Service only.
- ➢ Business Loan : Licence, Current A/C - one year.

Please Contact during office hour :
# 7629922092
# 7005862472
# 9362323364

HL-P/6907/8-14

Sd/- Manager

[illegible] [illegible]

DIRECT ADMISSION 2021-22
In Top ranking Universities and Institutions

B. Sc. AGRICULTURE
B. Sc. FORESTRY
B. Sc. HORTICULTURE
B. Sc. MLT
B. Sc. MM (MEDICAL MICRO BIOLOGY
B. Sc. OPTOMETRY
BMRIT - (MEDICAL RADIOLOGY & IMAGE TECHNOLOGY
B. Sc. OT - (OPERATION THEATRE TECHNOLOGY)
BPT
DIPLOMA IN DIALYSIS
DIPLOMA IN OPTOMETRY
DIPLOMA IN X-RAY
DMLT
GNM
B. Sc. NURSING
B. Sc. FOOD TECH
B. A. MASS COMMUNICATION & JOURNALISM
BHA (BACHELOR IN HOSPITAL ADMINISTRATION)
BHM
BBA LL.B., BA LL.B.,
ENVIRONMENTAL SCIENCE
FISHERIES SCIENCE
BCOM. HONS.
BBA
B. Sc. MM (MEDICAL MICROBIOLOGY)
B. Sc. IT, B. TECH, BE
B. Sc. Hons, ANIMATION & GAMING
B. PHARM, D-PHARM
B. PHARM, LATERAL ENTRY
B. Sc. HONS. PHYSICS
B. Sc. HONS. CHEMISTRY
BA. HONS. ENGLISH/PSYCHOLOGY
BACHELOR IN FASHION DESIGN
BCA, BCA CYBER SECURITY
M. Sc. AGRONOMY
M. Sc. FORESTRY
M. Sc. HORTICULTURE
M. Sc. MLT
M. Sc. SEED SC & TECH
MPT.
M. Sc. EVS
MBA (HR, IB MARKETING, FINANCE)
M. Sc. CHEMISTRY
M. Sc. FOOD TECH
M. Sc. BIOTECHNOLOGY
M. Sc. FOOD NUTRITION DIETETICS
M. Sc. INDUSTRIAL CHEMISTRY
M. Sc. PHARMACEUTICAL CHEMISTRY
M. Sc. PLANT PATHOLOGY
M. Sc. ZOOLOGY
M. Sc. BOTANY
MA. ENGLISH
M. TECH

Sd/- WANGKHEI PUKHRAMBAM LEIRAK
Contact No. - # 7085653886, # 8837454543

HL-P/9512/5/9-3/10 (alt)

REGIONAL INSTITUTE OF MEDICAL SCIENCES

(An autonomous institute under Ministry of Health & Family Welfare Government of India)

LAMPHELPAT, IMPHAL - 795004 : MANIPUR

[illegible] / **ADVERTISEMENT**

Imphal, the 6th Sept., 2021

No. B/3495/2020-RIMS : A walk-in-interview for engagement of the following post will be held on 16/9/2021 at 11:00 a.m. in the conference room of Jubilee Hall, RIMS, Imphal The engagement is purely of daily wages basis for a period of 6 (six) months initially extendable on need basis.

Sl. No.	Name of posts	No. of Post	Rate per day
1.	Medical Receptionist cum Operator (OPD)	10 (UR-6, OBC-1 & ST-3)	Rs. 438/-

For full details of the advertisement, please visit the institute website : www.rims.edu.in.

Sd/- A. Shanti Devi
Administrative Officer
Regional Institute of Medical Sciences, Imphal

HL-B/7139/9 Sept.

ꯁ꯭ꯔꯤꯁ꯭ꯔꯤ / শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্রায় নমঃ

পূর্ব্বাশ্রমদা ঐখোয় খ্বাইগী ইরক্তা তিল্লম্বী **সোরাইসম ওংবী পাঙম্বম বিজয়া দেবী**-না মাগী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ, মরূপ-মপাং অমদি মরী-মতা পূম্নমকপু থাদোক্লম্লগা হৌখিবা তাং ৩/৯/২০২১ ইং, থৱানগী ২৬নি পানবা ইরাই নুমীৎতা শ্রীগুরুগী কৃপাদগী বেষ ওল্লগা শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্য বিশাখা দাশী হায়বা নাম ফংজদুনা বৃন্দাবন প্রাপ্তি ওইখ্রে।

লাক্লিবা তাং ৮/৯/২০২১ ইং, লাংবনগী নোংমা/নীনি পানবা য়ুমশকৈশা নুমীৎতা অস্থি-সঞ্চয় লৌখৎচরগা, তাং ১৬/৯/২০২১ ইং, লাংবনগী ১০নি পানবা শগোলশেন নুমীৎতা শ্রাদ্ধ দিন থোক্লে। নুমীৎ অসিদা লৈখিদ্রবী বৈষ্ণবীগীদমক ঙমজবা খরদং হরি সঙ্কীর্ত্তণগা লোয়ননা শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্র মহাপ্রভুগী অগ্রহদা কচ্চগদৌরি।

হৌজিক-হৌজিক কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা ইমুং-মনুং খক্তগী ওইনা থৌরম অসি পাঙথোকচরগনি। মরম অদুনা পূম্নমক্না ৱারৌবীদনবা খুরুমজরি।

থৌরম পরেং:-
অয়ূক পুং ৮:০০ ঃ সঙ্কীর্ত্তণ হৌবগা লোয়ননা ভেক কৎপা
অয়ূক পুং ১১:০০ ঃ শ্রাদ্ধ লোইশিঙ্গগনি।

নোল্লুকচরিবশিং ঃ-
সোরাইসম রোবিন্দ্রো সিংহ (মপুরোইবা) অমদি ইমুং-মনুংশিং

HL-P/6976/9,11

সেগা রোদ, থৌদা ভাবোক লৈকাই, ইম্ফাল।

ꯁ꯭ꯔꯤꯁ꯭ꯔꯤ / শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্রায় নমঃ

ঐখোয় খ্বাইবু কোনবিরম্বা **কাংঙুজম ইঁবোহল সিংহ**-না মাগী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ অমদি মরুপ-মপাং খ্বাই পূম্নমকপু থাদোক্লম্লগা হৌখিবা তাং ০৩/০৯/২০২১ ইং, থৱানগী ২৬নি পানবা ইরাই নুমীৎতা শ্রীগুরুগী কৃপাদগী বেষ ওল্লগা কৃষ্ণদাশ হায়বা নাম ফংজদুনা বৃন্দাবন প্রাপ্তি ওইখ্রে।

লাক্লিবা তাং ০৮/০৯/২০২১ ইং, লাংবনগী ২নি পানবা য়ুমশকৈশা নুমীৎতা অষ্টি-সঞ্চয় লৌখৎচরগা, তাং ১৬/০৯/২০২১ ইং, লাংবনগী ১০নি পানবা শগোলশেন নুমীৎতা চিড়া উসব দিন থোক্লে। নুমীৎ অসিদা লৈখিদ্রবগী আত্মা-শান্তিগীদমক শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্রা মহাপ্রভুগী চরন্দা হরি সঙ্কীর্ত্তণগা লোয়ননা শ্রাদ্ধ থৌরম পাঙথোকচগদৌরি।

উপলক্ষ অসিদা ব্রাহ্মণ-বৈষ্ণব, অহল-লমন, ইমা-ইবেন, ইচে-ইচন অমদি মরুপ-মপাং খ্বাই পূম্নমক্না মতম চানা লেঙবীরক্তুনা হরিনাম শ্রবণ তৌবীরনবা পাউচেগী থোঙদা নিমন্ত্রণ কচ্চরি। পাউচেগী থোঙদা নিমন্ত্রণ কচ্চবগী অপরাধ খিবিক ঙাকপীগনি।

থৌরম পরেং:-
অয়ূক পুং ৮:০০ ঃ সঙ্কীর্ত্তণ হৌবা
অয়ূক পুং ০৮.৩০ ঃ ভেক কৎপা
অয়ূক পুং ১১:০০ ঃ সঙ্কীর্ত্তণ লোইবা

বিনিতগণ ঃ-
কাংঙুজম মৈপাক দেবী (মমা)
কাংঙুজম পুনিমাসি দেবী (সহধর্ম্মীনি)
অমসুং ইমুং-মনুংশিং

HL-P/6988/9

ওক্রম চুথেক ৱাঙ্খৈ লৌমানবী।

[illegible]/নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি

Naorem Ibomcha

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খূদিংমক :- অমাংথোঙ নান্থবা, পোম্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হান্বা য়াদবা, হাক্কৎচবা, নাই চারগা পোম্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোন্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইন্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খূদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai Saya Club
Contact No. 6009147645/8014023792

HL-B/7035/15/7-15/9

[illegible]/অমাংথোঙদা মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, শা-ঙা চারগনা হেন্না হাক্কৎচবা, খোঙ হান্বদা য়াম্না লিক্না হান্বা, হামেং মথিগুম্না মরূ-মরূ খজিক্তুং হান্বা, খোঙ হাম্নিং-হাম্নিং তৌরগা লৈবা, হান্বা চঙলুরগনা হান্বা য়াদবা, অমাংথোঙ ময়াদা হৱাই মঙ্গল মরূমুক চাওবা অমা পোমথোরকপা, মরক-মরক্তা খোঙ হান্বা মতমদা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা নাবা হৌরকপদা অমাংথোঙদা মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, শা-ঙা চারগনা অমাংথোঙদা হেন্না হাক্কৎচবা, হাক্কৎচবা অদু খাঙবা ঙমদদুনা খোৎপা মতমদা অমাংথোঙ মপানদু তৎপা অমদি অমাংথোঙ মপান্দু চাওথোরকপা, খোঙ হান্বা মতমদা য়াম্না লিক্না হান্বা, হামেং মথিগুম্না মরূ-মরূ খজিক্তুং হান্নকপা, খোঙ মপূং ফানা হান্বা য়াদ্রবনিনা পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কাবা অমদি চাবা থকপসু য়াদবা ওনিং-ওনিং তৌরগা লৈবা, খোঙ মপূং ফানা হামদোকখ্রগদি হকচাংদা করিসু তৌদবা হকচাং নুংঙাইবা, নুমিদাংগী মতমদা অমাংথোঙদগী তিনকুপ থোক্লকপা, মরক-মরক্তা অমাংথোঙদগী তিনকুপ ফাদোকপা, খোঙ হাম্নিং-হাম্নিং তৌরগা লৈবা, খোঙ হান্বা চঙলুরগনা হান্বা য়াদবা, অমাংথোঙ ময়াদা হৱাই মঙ্গল মরূমুক চাওবা অমা পোমথোরকপা, হৱাই মঙ্গল মরূমুক চাওনা পোমথোরকপা অদু অমুক হঞ্জিনখিবা, অমুক চাওথোরকপা অসুম্না তৌরগা লৈবা, মরক-মরক্তা খোঙ হান্বা মতমদা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, ঈ তাবা অদু অমুক ফখিবা অমদি অমুক তারকপা, অঙাং মীরোল্লিঙৈ মতমদা অসুম্না তৌবা, অঙাং উনরবা মতুংদা অমাংথোঙ মনুংদগী মপান্দা পোমথোরকপা অমদি অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু চাওথোক্লগা য়াম্না চিকপা নাবা তৌরগা খাঙবা ঙমদবা, খ্বাঙ নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-P/7101/9

থাগৎচরিবী : **L. Landhoni Leima, Bishnupur Bazar**